# শান্নরোয় ওইনা ঐহাক ইশাগী তশেংবা পান্দম ফংবা ঙমখিদে অদুনা ইশুনুপা অমদি মশক থোক্না শেমগে খল্লি ঃ আর কে দেবযানি



আর কে দেবযানি
(ভেটরান প্লেয়র)

(হান্নগী মখা...)

থবক চঙলবা মতুংগী লাইফ ষ্টাইলসিসু খল্লুরগা নুংশি । মরমদি করিগীনো হায়বা ইনৌ নৌনা অমুক শান্নবা হৌরকপদো। চহী ৫/৬ কী গেপ অমা রৈুবদুনা ঐঙোন্দদি শান্নবগী ৱাখলসি খরসু নাথৈরুরবনি।

থবক জোইন তৌবগী থা অহুম শুরকপদা ওল ইন্দিয়া সিভিল সার্ভিসেসকী বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা য়াওরুনবা খঙহল্লকপদুসু ঐঙোন্দা অনৌবা পুন্সি অমা ফংবগুম মীকুপ্পুদা ফাওখি। গোৱাদা কুমজা ১৯৮০ গী ওক্টোবর ২৭ তগীনা নবেম্বর ২ ফাওবা চথখিবা ওল ইন্দিয়া সিভিল সার্ভিসেস বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা শান্নরুবদগীদি শুকলেপ হেক লেপ্তুনা শান্নবা মথং মথং চৎলকখি।

ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফম মদ্রাজদা, বেঙ্গলোরদা, ন্যু দেল্লিদা, হরিয়ানাদা, গুজরাটতা, চান্দিগড়দা লেপ্তুনা শান্নজরকখি। অসুম্না কুমজা ২০১৩ গী ওক্টোবর ২২ দগী ২৭ ফাওবা গুজরাটতা তৌখিবা সিভিল সার্ভিসেসকী টুর্নামেন্ট অসিনা থবক তৌরিঙৈগী অরোইবা টুর্নামেন্টসু ওইখ্রে।

কুমজা ২০১৪ দদি ঐহাক থবক্তগী পোথারে। অদুবু শান্ননীংবগী ৱাখলদুমদি ইশাদা পক্তুনা অদুম লৈহৌখি। মসিগী মখা তারকপদদি ভেটরান প্লেয়র অমা ওইনা শান্নগে হায়বসি ফাওরক্তুনা লেপ্তুনা অদুম প্রেক্টিশ তৌজরকখি। হৌজিক্তি ঐহাকসি ভেটরানগী শান্নরোয় অমা ওইনা খোঙদাবা হৌরে।

মসিদসু তোঙানবা অহল ওইশিল্লক্লবা মতম অমগী শান্নরোয় কয়াগী নুংঙাইরবা গেদরিং অমা পূনশিল্লগা লৈরম্বসিদা ঐঙোন্দা হেন্না শান্নহনীংনবা ইনোৎ অমা হাপকৎলকখি।

লমজেল চেনবা, দিস্কস লংবা, হর্দল চোঙবা নৌনা শান্ননীংলকখি। মাগী মাগী চহী মতাংগী কম্পিটিসন্নিনা লম্বা ঙম্বসু য়াই খন দুনা হোৎননীংবগী ৱাখল হৌজিকসু ঐঙোন্দা লৈরি। অদুনা অয়ুক পুং ৫.৩০ দগী ৭.৩০ ফাওবা খুমন লম্পাক্তা অদুম ৱাঙ্কিং চৎলি, এক্সর্সাইজ তৌরি।

ঐগী হজবেন্দ অমদি ইশুনুপাশিংসু য়াওনা নুমিৎ খুদিংগী চৎলি। ইশাগী চহীসিসু হন্দক চহীগী দিসেম্বরসিদা চহী ৬৫ মপুং ফারগনি। সিদগীদি ভেটরানগী শান্নবসিসু ৬৫ প্লসতা শান্নবা য়ারগনি। হন্দক্তা হায়দ্রবাদতা ভেটরানগী শান্নবা চৎলুবদুদি নেসনল প্লেয়র হান্না মৈ হৌনা শান্নরম্বা প্লেয়র থেংনরক্তুনা ফজবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙম্লক্তে।

লমজেলগসিসু চহী চপ মান্নবা লম্বা তৌনরবদি থোইনা হেন্নগনি থাজদে। ভেটরানগীসি ঐখোয়দি চহী হুরানবসু য়ারোই, হান্নগী রেকোর্দসু লৈবনিনা মদুদা তরু তরু ফাইট তৌনবসু তাবনি।

তশেংনা অশেংবা চহীদা থেংনবসি ইশাগী ওইনসু পামজে। অদুবু হান্না শান্নখিবা ময়ামদুগী হৌজিক খুকউসি খরদি কিজবা ফাওই। খ্বাঙদা খুকউদা খিত্তং নুংঙাইতবা লৈবসিনা থৌনা ফনা মহৌশাগুম হেক্তুমক চোঙথোকপসু ঙমদ্রে।


অদুম ওইনমক শান্ননীংবসিনা মরম ওইরগা ইশাসি এম আর আইগা লৌরগা হৌজিকসি এক্সর্সাইজগা তৌদুনা হকচাংসি কন্না য়োকখৎলি। ইচাশিংনসু খোঙউপ ট্রেক সুইট ফজ-ফজবা লৈবিদুনা ঐনা শান্নবা পামজবসি উবদা পূক্নিং থৌগৎপীরি।

ঐনা সুম খঞ্জবদা ঐগী পুন্সিসি স্পোর্টসকা অদুম ইরোইনদুনা চৎকদবা মাল্লি। হেক ঙল্লিবফাওবা শান্নগে হায়বা ৱাখল অমসু ঐঙোন দা লৈরি।

অদুগা ইচা হাক্তক্তদি শান্না খোৎনবদা য়াম্না কন্না শেম্নিংবা সিমদি নেসনলদা নৎত্রগা ইন টরনেসনলদা য়ৌহনগে হায়দুনা হোৎনখিদ্রে। শান্নববুদি খরা খরা লোইনা অদুম পাম্মী।

অদুবু ইশু হাক্তকসিদদি শোয়দনা অমদি শেমগে কন্না খল্লি। স্পোর্টস পাম্বা ইশুশিংদি লাইরিক্কা ইরোয়ননা চৎহন্দুনা ঐনা য়ৌবা ঙম্লমদবা থাক য়ৌহন্দুনা মশক থোকপা মমিং লৈবা শান্নরোয় অমত্তংদি ইমুংসিদগী পুথোক্কে হায়না খঞ্জরি।

- লোইরবা-



কুমজা ১৯৭২ দগী থংনা থংননা চহী অহুম ৱিন্নর ওইবগী ফংলকখিবা ট্রোফি

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং**

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৫১

১. হান্নদি টেষ্ট ক্রিকেট শান্নবদা থার্দ অম্পয়ার লৈরমদে। থার্দ অম্পয়ারগী চৎন-কাঙলোন অসি হেক লৈরকপগা থার্দ অম্পয়ারনা অহানবা ওইনা আউট পীখিবা শান্নরোয়দি সচিন টেন্দুলকরনি। থার্দ অম্পয়ার অদু কনানো?

২. Me, Myself and Irene কৌবা জিম কেরিগী ফিল্মদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং করি কৌই?

৩. ৱিল্লিয়ম পেটিগ্রুনা মণিপুরদা করম্বা মশান্না হৌদোকখিবগে?

৪. কোলকটাগী উদায়ন চেরিটি হোমগা মরী লৈনবা, মসিবু মতেং পাঙবা শান্নরোয় অমগী মমিং হায়য়ু।

৫. লাই অসিদা উৎলিবা শান্নরোয় অসিগী মমিং অমদি মহাক্না শান্নরিবা মশান্না অদুগী মমিং হায়য়ু।



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫ থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# দিনেশ চান্দিমাল অমসুং উপুল তরংগনা শ্রী লঙ্কান ক্রিকেট টিম লুচিংলগনি

কলম্বো, জুলাই ১২ (এজেন্সী) :

দিনেশ চান্দিমালবু শ্রী লঙ্কান ক্রিকেট টিমগী অনৌবা কেপ্টেন ওইনা খনখ্রে। এঞ্জেলো মেথিয়ুসনা ফম থাদোকখ্রবা মতুংদা দিনেশ চান্দিমালবু অনৌবা কেপ্টেন ওইনা খনখিবনি।

মশাগী চহী ২৭ শুরবা চান্দিমাল ক্রিকেট মশান্নদা থোইদোক হেন্দোক্না হৈথোই-শিংথোইবা শান্নরোয় নত্তে। অদুবু টেষ্ট মেচতা মহাক্কী বেটিং ফজনা তৌবা মরম্না শান্নরোয় অসিবু শ্রী লঙ্কন টিমগী অনৌবা কেপ্টেন ওইনা খনখিবনি।

হৌজিক ফাওবদা মহাক্না মেচ ৩৬ শান্নবগী মনুংদা এভরেজদা মেচ খুদিংগী রন ৪২ গী চাংদা লৌবা ঙম্লি।

শ্রী লঙ্কানা হন্দক্তা জিম্বাবৱেগা শান্নখিবা ৱান দে ইন্টরনেসনল সেরিজদা মায়থীখ্রবা মতুংদা মেথিয়ুসনা কেপ্টেন ওইবা তোক্লবগী ফীরেপ লৌখিবনি।

মেচ মঙা শান্নখিবা ও দি আই সেরিজদা জিম্বাবৱেনা শ্রী লঙ্কাবু ৩-২ দা মায়থীবা পীখিবনি। সেরিজ অদু হেক মায়থীরবা মতুংদা মেথিয়ুসনা ফম থাদোক্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্ত্রি।

শ্রী লঙ্কা ক্রিকেট (এস এল সী) গী প্রসিদেন্ট টিলঙ্গা সুমাটিপালানা হায়খি, মেথিয়ুনা ফম থাদোকপগী মতাংদা পীশিল্লকখিবা চেরোল বোর্দনা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা দিনেশ চান্দিমালবু অনৌবা কেপ্টেন ওইনা খল্লে।

উপুন টরঙ্গাবুনা লিমিটেদ ওভর মেচশিংদা শ্রী লঙ্কান টিমগী কেপ্টেন ওইহন্নবা ফীরেপ লৌরে।

পাউগী মীফম অমদা ফম থাদোকখ্রবা মেথিয়ুসনা হায়খি, কুমজা ২০১৫ গী ৱর্ল্ড কপ মতুং তারকপদা শ্রী লঙ্কান টিমনা মালেমগী থাক্তা শান্নবা ক্রিকেটতা খুদোংচাদবা খরা মায়োক্নদুনা লাকখি। হৌজিক্তি শ্রী লঙ্কা ক্রিকেটনা অনৌবা কেপ্টেন অমা খল্লবনিনা কুমজা ২০১৯ দা ইংলেন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপকীদমক শ্রী লঙ্কানা মপুং ফানা শেম-শাবা য়ারে।

মতম খরগী মমাঙদা কেপ্টেন ওইবা তোক্লবগী ফীরেপ লৌখি অদুবু টিম মেম্বরশিংগীদমক খল্লগা মখা তানা কেপ্টেন ওইখিবনি। হৌজিক্তি মতীক চারবা উপুন অমদি দিনেশনা শ্রী লঙ্কান টিমবু মাঙলোমদা পুখৎপা ঙম্লগনি হায়না মেথিয়ুসনা পাউ মীশিংদা ফোঙদোকখি।

শ্রী লঙ্কানা য়ুম্বু ওইদুনা জুলাই ২৬ তগী ইন্দিয়াগা টেষ্ট অহুম, ৱান দে ইন্টরনেসনল মঙা অমসুং টি-২০ মেচ অমা শান্নগদবা লৈবনা অনৌবা কেপ্টেন অনীগী মথৌ চিনবা মতমনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

কুমজা ১৯৯৬ তা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখিবা শ্রী লঙ্কানা হৌজিক হৌজিক টেষ্টকী রেঙ্কিংদা মালেমগী ওইনা তরেৎশুবদা লৈরি। ও দি আই রেঙ্কিংদনা নিপানশুবদা লৈরি। কুমজা ২০১৯ গী ৱর্ল্ড কপ্তা শরুক য়াবা ফংনবগীদমক শ্রী লঙ্কানা ৱেষ্ট ইন্দিজবু নমথরম্বা মথৌ তারি।



# রবি শাস্ত্রিনা অনিল কুমব্লেগী মহুৎতা ইন্দিয়ন টিমগী কোচ ওইরে : জাহির খান্না বোল্লিংগী কোচ ওইরগনি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১২ (এজেন্সী) :

মতম শাংনা লাংতক্লদুনা লৈরকখ্রবা মতুংদা বোর্দ ওফ কন্ত্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই) না রবি শাস্ত্রিবু ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমগী অনৌবা কোচ ওইনা খল্লে হায়না লাউথোরকখ্রে। জাহির খানবুনা বোল্লিংগী কোচ খল্লে হায়রি।

রবি শাস্ত্রিনা কুমজা ২০১৯ গী ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপ ফাওবা ইন্দিয়ন টিমগী কোচ ওইখিগনি। সৌরব গঙ্গুলি, সচিন টেন্দুলকর অমদি ভি ভি এস লক্সমন য়াওবা মেম্বর অহুম্না শাবা ক্রিকেট এদভাইজরি কম্মিটি (সী এ সী) না অনৌবা কোচখনবগী ৱারেপ লৌখিবনি।

ইন্দিয়ন টিমগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিগা মোত মান্নরক্তবদগী অনিল কুমব্লেনা কোচ ওইবা তোকখ্রবা মতুংদা সী এ সীনা মীওই তরাগী মনুংদগী শাস্ত্রিবু কোচ ওইনা খনখিবনি।

অমরোমদা হান্নগী ফাষ্ট বোল্লর জাহির খানবু ইন্দিয়ন টিমগী বোল্লিং কোচ ওইনা খনখিবগা লোয়ননা রাহুল দ্রাবিদপুনা মপাল লৈবাক্কী টুরশিংদা বেটিং কন্সলটেন্ট ওইহন্নবা ৱারেপ লৌখি।





বি সী সী আইগী এক্টিং প্রসিদেন্ট সী কে খন্নানা হায়খি, ক্রিকেট এদভাইজরি কম্মিটিগী রেকমেন্দেসন মতুং ইন্না রবি শাস্ত্রিবু চীফ কোচ ওইনা খন্নবা ৱারেপ লৌরে। জাহির খানবুনা বোল্লিংগী কোচ ওইনা খল্লে। মখোয় অনীনা কুমজা ২০১৯ ফাওবা ফম অসি পায়খিগনি।

ইন্দিয়ন টিমনা সাউথ অফ্রিকা, ইংলেন্দ অমদি ওষ্ট্রেলিয়ানচিংবা মপান লৈবাকশিংদা শান্নবা চৎপদা রাহুল দ্রাবিদনা বেটিং কন্সলটেন্ট ওইনা মথৌ পাঙথোক্লগনি হায়নসু খন্নানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা মে থাদা বি সী সী আইনা কোচকী ফম কৌখিবা মতমদা মীওই তরানা এপ্লিকেসন পীশিল্লকখি। হায়রিবা মীওইশিং অদুদি রবি শাস্ত্রি, বিরেন্দর সেহৱগ, রিচার্দ পাইবস, টোম মুদি, দোদা গনেশ, লালচান্দ রাজপুত, ফিল সিমন্স, লান্স ক্লুজনর, রাকেশ শর্ম্মা (ওমানগী নেসনল টিম কোচ) অমদি উপেন্দ্রনাথ ব্রহ্মচারিনি।

মীওই তরানা এপ্লিকেসন পীশিল্লকখিবা তারবসু সী এ সীনা সুপ্নগী কেন্দিদেট তরুক - শাস্ত্রি, বিরেন্দর সেহৱগ, টোম মুদি, ফিল সিমন্স, রিচার্দ পাইবস অমদি লালচান্দ রাজপুতখক্তমক ইন্টরভিয়ু লৌরগনি হায়না লাউথোরকখি।

রবি শাস্ত্রিদি হান্নসু ইন্দিয়ন টিমগী টিম দিরেক্টর ওইনা চহী ২ থৌ পুরম্বা লৈখ্রবনি। মহাক্কী লিচিং মখাদা ইন্দিয়ানা কুমজা ২০১৫ গী ৱর্ল্ড কপ অমসুং কুমজা ২০১৬ কী ৱর্ল্ড টি-২০ গী সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মদুদসু নত্তনা ইন্দিয়ানা মালেমদা খ্বাইদগী ফবা টেষ্ট মেচকী টিম ওইবা ঙমখিবনি। মশাগী চহী ৫৫ শুরবা শাস্ত্রিনা নেসনল টিমগা শম্নরিঙৈদা কেপ্টেন ভিরাট কোহলিখক নত্তনা অতৈ টিম মেম্বর খুদিংমক্তা অফবা মরী থম্নখি। অদুবু কুমজা ২০১৬ কী জুনদা অনিল কুমব্লেনা ইন্দিয়ন টিমগী হেদ কোচ ওইখ্রবা মতুংদা টিম মেম্বর মনুংদা য়ানদবা ৱাফম কয়া থোরকখি।

রবি শাস্ত্রিনা ইন্দিয়ন টিমদা লোয়নবা হন্দক্না অহুল্লকশুবা ওইরগনি। মমাঙদা কুমজা ২০০৭ তা চৎখিবা বাংলাদেশকী টুরদা মহাক্না ইন্দিয়ন টিমগী মেনেজর ওইখি। কুমজা ২০১৪ গী ওগষ্টতগী কুমজা ২০১৬ কী জুন ফাওবনা টিম দিরেক্টর ওইখি। মতম অদুদা ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাবু টেষ্ট সেরিজদা মায়থীবা পীখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৫ গী ৱর্ল্ড কপ অমসুং কুমজা ২০১৬ কী ৱর্ল্ড টি-২০ গী সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

অমরোমদা, জাহির খানবু খ্বাইদগী ফবা স্বিং বোল্লরনি হায়না লৌবগা লোয়ননা ইন্দিয়ন টিমগী বোলিং কোচ ওইনা খনখিবনি। চৈরকসিদা রবি শাস্ত্রিবু কোচ ওইনা খন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা ৱাফম অমত্তা তানরমদবা লৈতে হায়না সৌরব গঙ্গুলিনা ফোঙদোকখ্রে।

# আই সী সীগী ও দি আই রেঙ্কিংদা ভিরাট কোহলিনা বেটিংদা মকোক ইথং-থংনা, ধোনিনা ১২শুবদা লৈরে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১০ (এজেন্সী) :

হন্দক্তা লোইশিনখিবা ৱান দে ইন টরনেসনল (ও দি আই) সেরিজদা টিম ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজবু ৩-১ দা মায়থীবা পীখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা আই সী সীগী ও দি আই রেঙ্কিংগী বেটসমেনগী কেটেগোরিদা মকোক ইথং-থংনা লৈরে।

এম এস ধোনিসু পোজিসন অহুম কাখৎলক্তুনা ১২শুবদা লৈরে। এম আর এফ টায়র্স আই সী সী ৱান দে ইন টরনেসনল প্লেয়র রেঙ্কিংদা অহোংবা কয়া লাকখ্রবসু খ্বাইদগী মকোক ইথং-থংনা লৈবা বেটসমেন, বোল্লর অমসুং ওল রাউন্দরগী মতাংদদি অহোংবা অমত্তা লৈতে।



কোহলিনা খ্বাইদগী মকোক ইথং-থংনা লৈবগা লোয়ননা ওষ্ট্রেলিয়াগী দেবিদ ৱার্নর, সাউথ অফ্রিকাগী এ বি দি ভিলিয়র্স অমসুং ইংলেন্দগী জো রুটনা মথংশিংনা অনীশুবা, অহুমশুবা অমসুং মরিশুবদা লৈরি।

অমরোমদা, হন্দক্তা ৱেষ্ট ইন্দিজকা শান্নখিবা সেরিজদা রন ১৫৪ লৌবা ঙমখিবা ধোনিনা মফম অহুম কাখৎলক্তুনা বেটসমেনগী লিষ্টতা ১২শুবদা লৈরে।

ও দি আইগী ওইনা খ্বাইদগী বেটসমেন ১৫ গী লিষ্ট অদুদি ইন্দিয়াগী ভিরাট কোহলি (পোইন্ট ৮৭৩), ওষ্ট্রেলিয়াগী দেবিদ ৱার্নর (পোইন্ট ৮৬১), সাউথ অফ্রিকাগী এ বি দি ভিলিয়র্স (পোইন্ট ৮৪৭), ইংলেন্দগী জো রুট (পোইন্ট ৭৯৯), পাকিস্তানগী বাবর অজাম (পোইন্ট ৭৮৬), ন্যু জিলেন্দগী কেন ৱিল্লিয়মসন (পোইন্ট ৭৭৯), সাউথ অফ্রিকাগী ক্বিন্টন দি কোক (পোইন্ট ৭৬৯), সাউথ অফ্রিকাগী ফ্রান্সোৱা দু প্লেসিস (পোইন্ট ৭৬৮), ন্যু জিলেন্দগী মার্টিন গুপ্টিল (পোইন্ট ৭৪৯), সাউথ অফ্রিকাগী হসিম অমলা (পোইন্ট ৭৪১), ওষ্ট্রেলিয়াগী ষ্টিব স্মিথ (পোইন্ট ৭৪০), ইন্দিয়াগী এম এস ধোনি (পোইন্ট ৭২৮), ইন্দিয়াগী সিখার ধৱন (পোইন্ট ৭২৫), ইন্দিয়াগী রোহিৎ শর্ম্মা (পোইন্ট ৭২৪) অমসুং ন্যু জিলেন্দগী রোজ টেলর (পোইন্ট ৭০৭) নি।

ইন্দিয়াগী স্পিন্নর রভিন্দ্র যাদেজা অমসুং রবিচন্দ্রন অশ্বিননা আই সী সী টেষ্ট বোল্লরশিংগী রেঙ্কিংদা খ্বাইদগী মকোক ইথং-থংনা লৈরিবনি।

ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সী সী) না থাদোরকখিবা খ্বাইদগী ইকোন কোনবা লিষ্টতা যাদেজানা পোইন্ট ৮৯৮ ফংদুনা মকোক ইথং-থংনা লৈরি। অশ্বিননা পোইন্ট ৮৬৫ ফংদুনা অনীশুবদা লৈরি। অদুবু অতৈ অতোপ্পা ইন্দিয়ন বোল্লরশিংদি টোপ টেনগী লিষ্টতা চনবা ঙমদ্রে।

ওল রাউন্দরগী লিষ্টতসু যাদেজা অমদি অশ্বিননা মথংশিংনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা মফম কনবা ঙম্লে।

বেটসমেনগী ওইনদি চেটেশ্বর পুজারা অমসুং ভিরাট কোহলিনা মথংশিংনা মরিশুবা অমসুং মঙাশুবা মফম কনবা ঙমলে।

বেটসমেনগী লিষ্টতা কে এল রাহুলনা মফম অমা কাখৎলকখিবগা লোয়ননা মাপনশুবদা লৈবা ঙমখি। লিষ্ট অসিগী মকোক ইথং-থংনা লৈরিবা বেটসমেনদি ওষ্ট্রেলিয়াগী ষ্টিব স্মিথনি।

চৈরকসিদা ইংলেন্দগী মোইন অলিনা বেটসমেন অমদি বোল্লরগী লিষ্টতা রেঙ্কিং হাইগৎলকখি।

লোর্দতা পাঙথোকখিবা টেষ্ট মেচ মরিগী সেরিজদা ইংলেন্দনা সাউথ অফ্রিকাবু রন ২১১ দা মায়থীবা পীদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখিবগা লোয়ননা অলিবু প্লেয়র ওফ দ মেচ ওইনা লাউথোকখিবনি। অলিনা বেটিং তৌবদা রন ৮৭ অমসুং ৭ লৌখি। বোলিংদনা অহানবা ইন্নিংসতা রন ৫৯ পীরগা ৱিকেট ৪ লৌখি। অনীশুবা ইন্নিংসতদি রন ৫৩ পীরগা ৱিকেট ৬ লৌবা ঙমখি। নুমিৎ মঙানি শান্নগদবা টেষ্ট মেচ অদু নোংমা শান্নগদবা ৱাৎলিঙৈদো ইংলেন্দনা মায় পাকখিবনি।

বেটসমেনশিংগী লিষ্টতা অলিনা মফম অহুম কাখৎলক্তুনা ২১শুবা পোজিসনদা লৈরে। বোলিংগী টেবলদনা টোপ ২০ গী মনুং চনবা ঙমখি। মহাক্না মফম মাপন কাখৎলক্তুনা খ্বাইদগী ফবা বেটসমেন ২০ গী মনুংদা ১৯শুবা পোজিসনদা লৈখ্রে।

## FIXTURE FOR STATE INTER SCHOOL SUBROTO MUKERJEE FOOTBALL TOURNAMENT UNDER-14 YRS. BOYS TO BE HELD AT DSA KAKCHING FROM 12th TO 18th JULY 2017

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.Bishnupur (Utlou High School) | 1.Tamenglong (Don Bosco High School) | 1.Kangpokpi (Eleanor Brilliant Academy) | 1.Ukhrul (Ukhrul Public School) |
| 2.Tengnoupal (Union Model School) | 2.Imphal East (Unique Model Academy) | 2.Pherzole (Parbachom H/School) | 2.Noney (Nungmang Govt. High School) |
| 3.Senapati (C.A. School T. Khullen) | 3.Churachandpur (St.John.School) | 3.Kakching (Sanatombi Academy) | 3.Jiribam (New Life Academy) |
| 4.Chandel Corner stone Academy | 4.Thoubal (L.I. Standard Eng. School) | 4.Imphal West (C.T. Hr.Sec.School) | |

| DATE | TIME | TEAM | VS | TEAM | VENUE | GROUP | MATCH NO. |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 13/7/2017 | 7.00a.m. | Chandel | Vs | Bishnupur | DSA Ground | A | 1 |
| | 7.30 a.m. | Thoubal | Vs | Tamenglong | Kha/M College | B | 2 |
| | 8.30 a.m. | Imphal West | Vs | Kangpokpi | DSA Ground | C | 3 |
| | 9.00a.m. | Noney | Vs | Ukhrul | Kha/M College | D | 4 |
| | 1.30p.m. | Senapati | Vs | Tengnoupal | DSA Ground | A | 5 |
| | 1.30 p.m. | C.C.Pur | VS | Imphal East | Kha/M College | B | 6 |
| | 3.00 pm. | Kakching | VS | Pherzole | DAS Ground | C | 7 |
| 14/7/2017 | 7.00a.m. | Senapti | Vs | Bishnupur | DSA Ground | A | 8 |
| | 7.30 a.m. | C.C.Pur | Vs | Tamenglong | Kha/M College | B | 9 |
| | 8.30 a.m. | Kakching | Vs | Kangpokpi | DSA Ground | C | 10 |
| | 9.00a.m. | Jiribam | Vs | Ukhrul | Kha/M College | D | 11 |
| | 1.30p.m. | Tengnoupal | Vs | Chandel | DSA Ground | A | 12 |
| | 1.30 p.m. | Imphal East | VS | Thoubal | Kha/M College | B | 13 |
| | 3.00 pm. | Pherzole | VS | Imphal West | DSA Ground | C | 14 |
| 15/7/2017 | 7.00a.m. | Tengnoupal | Vs | Bishnupur | DSA Ground | A | 15 |
| | 7.30 a.m. | Imphal East | Vs | Tamenglong | Kha/M College | B | 16 |
| | 8.30 a.m. | Pherzole | Vs | Kangpokpi | DSA Ground | C | 17 |
| | 9.00a.m. | Jiribam | Vs | Noney | Kha/M College | D | 18 |
| | 1.30p.m. | Chandel | VS | Senapati | DSA Ground | A | 19 |
| | 1.30 p.m. | Thoubal | Vs | C.C.Pur | Kha/M College | B | 20 |
| | 3.00 pm. | Imphal West | Vs | Kakching | DSA Ground | C | 21 |
| | | SEMI FINAL | | | | | |
| 16/7/2017 | 1.30P.M. | Winner of A | VS | Winner of C | DSA Ground | | 22 |
| | 3.p.m. | Winner of B | Vs | Winner of D | DSA Ground | | 23 |
| | | FINAL | | | | | |
| 18/7/2017 | 1.30 P.M. | Winner of X | Vs | Winner of Y | DSA Ground | | 24 |